HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ



রাজ্য সভাগী এম পিসু ওইরিবা নিংথৌ সনাজাওবা লৈশেম্বনা সনা কোনুংদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা মণিপুরগী হিষ্টিরিকেল সাইট য়াওনা মফম ৫দা থাম্নবগীদমক সোলর লেম্পশিং য়েন্থোকখিবা

ইদুল জুহাগী মাঙওইননা চেঙ-হৱাই য়েন্থোকখ্রে
☛ লামায় ৩

মতম-মতমগী কৌনরকপা মিঙ্গৌ
☛ লামায় ৪

যোদ্ধচন্দ্র সনসমগী ঈশৈময়েক্তা তরিবা মমি-৪
☛ লামায় ৫

কংলাগী ঙমখৈসু ঙাকপীয়ু : ফেদরেসন ওফ হাওমি
☛ লামায় ৬



জুন ২৯দা মাহুদ দিপার্টমেন্টনা থোকখিবা ওর্দর অমনা মণিপুর ম্যুনিসিপালিটি প্রোপর্টি টেক্স বোর্দকী চ্যেরমেন ওইনা খনখ্রবা ঐচ দিলিপ আই এ এস (রিটয়ার্দ) পু গভর্ণরনা ৱাশক লৌহনখিবা

Vol. 45, Issue No. 113 | নোংমাইজিং, ইঙেনগী ৯ নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, July 18, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

## খোরিরোলগী মনা পীনবা লাইরিক, আর্টিকল কৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ (ঐচ এন এস): সাহিত্য সেবা সম্মিটি, মণিপুর (ককচীং) না য়াম্লেম মনি সাহিত্য মনা য়াওনা তোঙান তোঙানবা এৱার্দশিং পীনবগীদমক লাইরিক অমসুং চেফোঙগী আর্টিকলশিং কৌরি। লাইরিকশিং অদুনা কুমজা ২০১৮দগী ২০২০ ফাওবগী মনুংদা ফোঙবা ওইগদবনি। মথং থাগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা সম্মিটিগী সেক্রেটরি নৎত্রগা চ্যেরমেন মনা-সব কম্মিটি (৮৮৩৭৩৫২৯৮২) দা য়ৌহনবীরক্কদবনি হায়রি।

## বিষ্ণুপুর য়ুথ কোংগ্রেসনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ (ঐচ এন এস): এ আই সী সী অমসুং এম পি সী সীগী মীৎয়েং মখাদা বি জে পি লৈঙাক্না কোভিদ-১৯ পেন্দমিক থেংনবদা খম থেংনা ৱারবা তাঞ্জাসিদা পেট্রোল, দিজল অমদি এল পি জিগী মমল অতিয়া পক্লা ৱাংখৎহন্দুনা মীয়ামদগী টেক্স চাউনা খোমগৎলকপগী মায়োক্তা নিংথৌখোং খা খুনৌগী ওইল পম্পতা এম পি ৱাই সীগী ভি পি শগোলশেম জোনি মৈতৈগী লিচিং মখাদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ৱাই সী সীনা বিষ্ণুপুর এসেমব্লি ৱাই সী সীগা খূৎশম্নদুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

## সী এমগী অঙাংগী তেংবাঙ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ (ঐচ এন এস): সোসল ৱেলফ্যের লোয়শঙগী দিরেক্টর এন জি উত্তমনা ঙসি থোকখিবা নোটিফিকেসন অমদা চীফ মিষ্টিরগী অঙাংগী তেংবাঙ হায়বা স্কিম অমা লোঞ্চ তৌরে হায়রি। স্কিম অসি কোভিদ-১৯না মরম ওইরদুনা পেরেসন্টস/সর্ভাইভিং পেরেন্ট/লিগেল গর্জিয়ান/এদোপটিভ পেরেন্টশিং লৈত্রবা অঙাংশিংদা তেংবাঙ পীনবনি হায়রি।

স্কিম অসিগী সব-স্কিম মরিগীদমক কনাগুম্বশিংনা লোয়শঙ অসিগী চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিট ওফিসতগী এপ্লিকেসন ফোর্মেট লৌরবা য়াগনি নৎত্রগা ওফিস অসিগী ৱেবসাইটতগী দাউনলোদ তৌবা য়াগনি হায়রি।

অন-লোফুল এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এক্ট

# ফারবা লালহৌবশিংগী মথক্তা লৌখৎপা কেসশিংগী ইনভেষ্টিগেসন নুমিৎ ৯০গী মনুংদা লোইশিনগদবনি

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি পুম্নমক্তা চৎনরিবা লৈবাক অসিগী মায়োক্তা অন-লোফুল এক্টিভিটিশিং চত্থরকপা মীওইশিংবু ফাবা-পূনবা অমসুং চৈরাক পীনবা অকনবা এক্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা 'অন-লোফুল এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এক্ট, ১৯৬৭' (য়ু এ পি এ) অসি মণিপুরগী ওইনদি এক্ট অসিগী মখাদা ফাবা লালহৌবশিংগী মথক্তা লৌখৎপা কেসশিংগী ইনভেষ্টিগেসনগী থবক নুমিৎ ৯০নি ফাওবগী মনুংদা লোইশিনবগা লোয়নননা হায়রিবা নুমিৎ অসিগী মনুংদা কেস অদুগী চার্জশীট মরী লৈনবা কোর্টতা ফাইল তৌগদবনি হায়রি।

ৱাফম অসি চৎলিবা চহী অসিগী মার্চথাদা চকপিকারোং পুলিস ষ্টেসনননা য়ু এ (পি) এক্ট অসিগী সেক্সন ২০গী মখাদা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেস এফ আই আর নম্বর ১৬ (৩) ২০২১গা মরী লৈননা ফাদুনা জেলদা থম্লক্লিবা লালহৌ লূপ অমগী

### এক্টসিগী মখাদা লৌখৎপা কেস পুম্নমক্কী চার্জশীটসু নুমিৎ ৯০নি ফাওবগী মনুংদা মরী লৈনবা কোর্টতা ফাইল তৌগদবনি : সেসন্স জজ, ইম্ফাল ৱেষ্ট




মীওইনি হায়বা অমগী মায়কৈদগী মহাকপু কেস অসিদগী বেল পীবিনবা থারকখিবা পিটিসন অমগী হিয়ারিং চত্থরবা মতুংদা সেসন্স জজ, ইম্ফাল ৱেষ্ট অরিবম গুনেশ্বরনা পীখিবা জজমেন্ট অমদা খঙহনখিবনি।

চকপিকারোং পি এসনা লৌখৎপা কেস অসিগা মরী লৈননা ফাদুনা জেলদা থম্লক্লিবা মীওই অদুগী মমিং নিংথৌজম ইনাওতোম্বা এলিয়জ দোলেন্দ্রো এলিয়জ উরিবা (২৮) কৌই। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কুম্বী পি এসকী নুংঙুদগী এন পাকচাওগী মচানুপানি। মহাক্না মার্চ ১৭, ২০২১দা চকপিকারোংদগী নুংঙুদা হল্লকপগী লম্বীদা ৪শুবা অসাম রাইফলসকী খূৎপু অমনা ফারবা মতুংদা মহাক লালহৌ লূপ অমগী মীওইনি হায়বা রিপোর্টকা লোয়ননা পি এস অসিদা খূৎশিন্নরকখিবনি। রিপোর্ট অদুদা মহাক ম্যান্মারদা লৈবা মহাক্কী লালহৌ লূপ অদুগী কেম্প অমদগী চেন্থোরকখিবনি হায়নসু পল্লকখি।

এ আরগী রিপোর্ট অদুগী মতুংইন্না মহাক ২০০৬তগী য়ু জি গ্রুপ অদুদা য়াওবনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোরকখি। লোয়ননা রিপোর্ট অদুগী মতুংইন্না মহাক্কী মথক্তা পি এস অসিনা য়ু এ (পি) এক্ট অসিগী সেক্সন ২০গী মখাদা কেস অসি লৌখৎতুনা মহাকপু ঙসি ফাওবা জেলদা থম্লকখিবনি।

অদুম ওইনমক য়ু জিনি হায়দুনা চার্জ তৌরিবা মীওই অসিগী মায়কৈদগী মহাকপু কেস অসিদগী য়ু এ (পি) এক্টকী সেক্সন ৪৩-দি অমসুং সী আর পি সীগী সেক্সন ৪৩৯, ১৬৭ (২) গী মখাদা বেল পীবিয়ু হায়দুনা প্রেয়র তৌরকখিবনি। মহাক্না তৌরকখিবা প্রেয়র অদুগী মতুংইন্না সেসন্স জজ ইম্ফাল ৱেষ্টনা ক্রিমিনেল মিসেলিনস (বেল) কেস নম্বর ৬০ ওফ ২০২১ লৌখৎখি। অদুগা কেস অদুগী হিয়ারিং থা অসিগী ৬তা পাঙথোকখি।

হিয়ারিং ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# মণিপুরদা ওক্সিজেন প্লান্ট ১৬ থমগদবদা ১২ ফাওবা থমদবগী পাউখুম পীরক্নবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিনা হৌজিক কোভিদ-১৯ পেন্দমিককী সেকেন্দ ৱেভকী অকনবা চৈথেং মায়োক্নরিঙৈগী চৈরক্তা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা হোস্পিটালশিংদা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিংগীদমক মতিক চাবা অমসুং শরক শিহন্দবা ওক্সিজেন সপ্লাই তৌহনবীয়ু হায়দুনা ফাইল তৌরকখিবা পি আই এল অমগী মখা চত্থরকপা ৱায়েলদা পার্টিশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলশিংনা অকনবা অর্গ্যুমেন্টশিং তৌনখ্রে।

কোর্টনা কাউন্সেলশিংগী সবমিসনশিং তারবা মতুংদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা রিমসতা অনীশুবা ওক্সিজেন প্লান্ট ইন্সটোল তৌদবগী মরম প্লান্ট অসিগীদমক মতিক চাবা মফম আইদেন্টিফাই তৌদবদগীনি হায়দুনা ফোঙদোরকপদা রিমসকী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেল এম দেবানন্দনা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা অনীশুবা ওক্সিজেন প্লান্ট অসিগী মফম থা অসিগী ১০দা আইদেন্টিফাই তৌখিবগা লোয়ননা এপ্রুভ তৌখ্রবনি। অদুবু প্লান্ট অসিবু ইন্সটোল তৌনবগী থবক

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা হায় :

- কোর্টনা রিমসতা অনীশুবা ওক্সিজেন প্লান্ট থম্বগী মতাংদা পার্টিশিংগী মরক্তা মেদিএট তৌফম থোক্তে
- সেন্ট্রেল অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মরক্তা প্রোপর কম্যুনিকেসন ৱাৎলে




থর্দ পার্টি অমা ওইরিবা এন বি সী সী লিমিটেদতা শীন্নখ্রে। অদুম ওইনমক প্লান্ট অসি থম্নগী থৌদাং লৌগদৌরিবা পার্টিশিংগী মরক্তা কম্যুনিকেসন অমসুং কো-ওর্দিনেসন মপূং ফানা ৱাৎলি। লোয়ননা অনীশুবা প্লান্ট অসি ইন্সটোল তৌরবা মতুংদা মসিনা পুথোরকপা ওক্সিজেনশিং পাইপশিংগী খূথাংদা নৎত্রগা সিলিন্দরশিংগী ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# কোংগ্রেস পার্টিদি লাক্লিবা এসেমব্লি মীখলগীদমক মাঙজৌননা শেম-শাখ্রে : গাইখাঙম

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ (ঐচ এন এস): কোংগ্রেস পার্টিদি লাক্লিবা কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লী মীখলগীদমক মাঙজৌননা শেম-শাখ্রে। মীখল অসিদা কোংগ্রেসনা সিট ৪৫দগী তাদনা ফংগনি হায়না সী দল্লিয়ু সীগী মেম্বরসু ওইরিবা এম এল এ গাইখাঙমনা ফোঙদোকখ্রে।



কোংগ্রেসনা নীং-খা তম্লবা মতুংদা চহী ৪০/৫০ রোম লৈঙাক পায়রক্লবনি। মরক-মরক্তা অতোপ্পা পার্টিনা লৈঙাক পায়বগী ৱানি। কোংগ্রেস পার্টিনা লৈঙাকপা মতম অমদি কোংগ্রেস নত্তবা অতোপ্পা পার্টিনা লৈঙাকপা মতমদা খেন্নবা লৈবশিং অসি লৈবাক অসিগী মীয়াম্না খঙই। বি জে পিনা লৈঙাক পায়রক্লিবসি চহী ৭ রোম

বাবুপারাদা লৈবা এম এল এ অসিগী ক্বার্টরদা পাউমীশিংগা উনবা অমদা সী দল্লিয়ু সীগী মেম্বর গাইখাঙমনা হায়খি, পোলিটিক্স হায়বসি অকা-অকুম নাইবা খোঙচৎ অমনি। লৈবাক অসিগী নীংতম্বা ফংনবা হোৎনবদা অমদি অপূনবগী শক্তম শাগৎনবা হোৎনবদা কোংগ্রেসনা লৌখিবা থৌদাংশিং মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফমনি।

শুরে। হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা কোংগ্রেসনা শাগৎচরম্বা অমদি লৈবাক অসিবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎলম্বা কয়া অরেম্বা তাহল্লে। বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক অসি লৈবাক অসিদা হেক লাকখিবদগী অঙক-অঙকপা থৌদোক কয়া থেংনখ্রে। ভিজন য়াওদবা মানবা থবক কয়া চত্থদুনা ইকনমিদা ওইরো, দিভেলপমেন্টতা ওইরো, ফোরেন পোলিসীদা ওইরো য়াম্না মচু তাদবা থৌওং কয়া চত্থরক্লি। মসি মখোয়না তৌজবনি।

কোংগ্রেস পার্টিগী ওইনদি মীয়ামগী খোল্লাওগা লোয়ননা চৎমিন্নগনি। কোংগ্রেসতি পৱারদা ঙাওবা পার্টি নত্তে। সেন্টর অমসুং ষ্টেটতা লৈরিবা বি জে পিগী লৈঙাকশিং অসি চরাংনবা থোকহন্ননবা কোংগ্রেসনা হোৎনবা লৈতে। মতম খরা মখোয়সু লৈঙাক পায়জসনু খল্লি। লৈবাক্কী চাউখৎ খোঙথাং অমদি ইস্যু পুম্নমক্তা রিজোল্ট তৌরগা অফবা লৈঙাক ওইসনু হায়না য়াইফ পাউজেল পীবনি। অদুবু সেন্টরদা চহী ৭ রোম লৈরক্লবা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্না মীয়ামগী অপাম্বশিং ইখঙ খঙদবগুম তৌরি। মসিমক্না মীয়াম্নসু লৈঙাক অসিদা পেন্দবা কয়া লাক্লরি। পোৎলম কয়াগী মমল ৱাংখৎলকপা, দিমোনিটাইজেসন, জি এস টি, লৌমীশিংগী ইস্যুশিং য়াওনা ইস্যু কয়ামরুমদা মীয়াম্না পেন্নদবা লাক্লিবনি। মসিগীসু মথক্তা জি দি বিগী রেটসু ...মখা লামায় ৩ কলম ১

# ঙসি পাঙথোক্কদবা য়ু পি এস সীগী এগজামিনেসনগী কেন্দিদেটশিং কর্ফিয়ুগী অথিংবদগী কোমথোক্কনি

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ (ঐচএনএস): হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎতা মণিপুর পব্লিক সর্ভিস কম্মিসন (এম পি এস সী) দা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ুনিয়ন পব্লিক সর্ভিস কম্মিসন (য়ু পি এস সী) না লৌবা এঞ্জিনিয়ারিং সর্ভিসেস (প্রি) এগজামিনেসন, ২০২১দা শরুক য়াগদবা কেন্দিদেটশিং অমসুং এগজামিনেসন অসিগী ফঙ্কস্নরিশিং কর্ফিয়ুগী অথিংবদগী কোমথোক্কনি হায়রি।

এম পি এস সীগী সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়বদা হায়রিবা এগজামিনেসন অসি পাঙথোক্লবগীদমক মথৌ তাবা ফোর্মেলিটিশিং মাঙজৌননা লৌখৎখিবগা লোয়ননা এগজামিনেসন অসিদা শরুক য়াগদবা কেন্দিদেটশিং অমসুং এগজামিনেসনগী ফঙ্কস্নরিশিংবু হয়েংদগী হৌগদৌরিবা কর্ফিয়ুগী অথিংবদগী কোমথোক্লবগী অয়াবসু ষ্টেট গভর্ণমেন্টতগী লৌরে হায়রি।

মরম অসিনা মণিপুর পব্লিক সর্ভিস কম্মিসনগী সেক্রেটরি এন জি রোবেনগী মায়কৈদগী হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা এগজামিনেসন অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা কেন্দিদেটশিং অমসুং ওথোরিটিশিংনা মখোয় মখোয়গী এদমিট কার্দশিং নৎত্রগা এম পি এস সীনা ইস্যু তৌবা দ্যুটি এসাইনমেন্ট ওর্দরশিং মখোয়না ময়ূম-ময়ূমদগী এম পি এস সী তম্না লাকপদা পুরক্কদবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, থা অসিগী ১৬তা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী স্পেসল সেক্রেটরি (হোম) ঐচ গ্যান প্রকাসনা এম পি এস সীগী সেক্রেটরিদা ইরকখিবা চেরোল অমদা পাঙথোক্কদৌরিবা এগজামিনেসন অসিগী ফঙ্কস্নরিশিং অমসুং কেন্দিদেটশিংনা ময়ূমদগীনা এম পি এস সী ফাওবা লাকপা অমসুং হনবগী লম্বীদা মখোয় মখোয়গী এদমিট কার্দ নৎত্রগা দ্যুটি এসাইনমেন্ট ওর্দর য়াওরগদি কর্ফিয়ুগী অথিংবা অসিদগী কোমথোক্কনি হায়দুনা খঙহল্লকখিবা লৈখ্রবনি।

স্পেসল সেক্রেটরি (হোম) গী চেরোল অদুগী কোপিশিং দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি), মণিপুর, প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি হেল্থ অমসুং দিষ্ট্রিক্ট পুম্নমক্কী দেপ্যুটি কম্মিস্নরশিং অমদি পুলিসকী এস পিশিংদসু পীদুনা মাঙজৌননা খঙহনখ্রবনি হায়রি।

# য়ূমথোঙগী চঙদুনা টেষ্ট তৌবদগী পোজিটিভ কেস মশীং হেনগৎলকপনি : ডা. রাজো



ইম্ফাল, জুলাই ১৭ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯গী লাইচৎ থেংননবা লৈঙাক্না লৌখৎলিবা থৌরাংশিংগী মখদা য়ূম-য়ূমদা চঙদুনা টেষ্ট তৌবদা হান্না থোরকউ য়াদবা মীওইশিং থোরকপদগী কোভিদ-১৯ পোজিটিভ কেস মশীং হেনগৎলকপনি। মসিদা কিন্নীংঙাই অমদি মীপাইনীংঙাই ওইদে।

ৱাফম অসি হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টর ডা. কে রাজোনা ঙসি নুংথিল লম্ফেলদা লৈবা মহাক্কী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবগী থৌরম অমদা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়, পোজিটিভ মশীং য়াম্বগী মতুংইন্না মখোয়গী লৈফম চপ চানা থৌরাং তৌরি। হোম আইসোলেসন্দা মসিগী চপ চাবা ফেসিলিটি লৈবা মীওইশিংনা হোম আইসোলেসন তৌরে অদুগা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন্দা থম্বা য়াবনা মসিদা থম্লে। কোভিদ ক্যের সেন্টরদা থম্বা য়াবনা থম্লে। সেন্টরসিদা থম্বসি রোটেসন নাইনা লাকই। নোংমদা পেসেন্ট ৫০০/৬০০ রোম রিকোভর তৌবনিনা অহাঙ অহাঙবা মফমদা থম্বা য়াই হায়খি।

মরম অদুনা চত্থরক্লিবা টেষ্টিং অসিগী রিজল্টদা নুংনাংনীংঙাই ওইদে। য়াম্না খঙদোক্লগা মখোয়গী মাঙজৌনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপা অদুনা মরু ওই। হোম দিপার্টমেন্টনসু মসিগী মেনেজমেন্টকী থবক ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

# পুং ২৪গী মনুংদা অমুক্কসু হেনগৎলক্তুনা অনৌবা পোজিটিভ কেস মশীং ১১৭১ থেংনরে, মীওই ১৫ লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ (ঐচএনএস): চৎলিবা থা অসি হৌগৎলকপদগী থা অসিগী ১৩ ফাওবদা নৌনা থেংনবা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ কেসশিংগী মশীং লিশীং ১গী মখাদা লৈরম্বদু থা অসিগী ১৪দা পোজিটিভ কেস ১১০৪, থা অসিগী ১৫দা ১০৩৯ থেংনরক্লগা ঙরাংনা অনৌবা পোজিটিভ কেস ১১২৮ থেংনখিবা অদুনা হৌজিক ফাওবদা পুং ২৪গী মনুংদা থেংনবা কোভিদ-১৯গী পোজিটিভ কেস মশীং খ্বাইদগী য়াম্লে হায়দুনা লৌনরম্বদু ঙসিদি অমুক হেনগৎলক্তুনা পুং ২৪গী মনুংদা অনৌবা পোজিটিভ কেস ১১৭১ (জেনরেল পোপ্যুলেসন্দগী ঙাক্তা, নুপা ৫৯৫, নুপী ৫৭৬) থেংনখ্রে।

কোভিদ-১৯ কন্মন কন্ট্রোল রুমনা ঙসি নুংথিল থোরকপা চেরোলসিগী মতুংইন্না অনৌবা পোজিটিভ কেসশিং অসি রিমসতা ৩০, জেনিমস ১০০, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা ৮১৫ অমসুং অতৈ টেষ্টিং সেন্টরশিংদনা ২২৬ থেংনবনি হায়রি।

পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অদুনা ইম্ফাল ইষ্টতগী ২৫৫, ইম্ফাল ৱেষ্ট ৩৫৮, থৌবাল ৯৪, বিষ্ণুপুর ১৪১, ককচীং ৮২, উখ্রুল ৪, চুড়াচান্দপুর ৯৬, চান্দেল ৪২, সেনাপতি ১৩, তমেংলোং ৫৩, তেংনৌপল ৫, জিরিবাম ৪, ফেরজোল ২, কামজোং ১ অমসুং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ২১নি হায়রি।

অমরোমদা, পুং ২৪গী মনুংদা ষ্টেট লেভেল কোভিদ-১৯ দেথস ওদিট কম্মিটিনা পীরকখিবা রিপোর্টকী মতুংইন্না লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা মীওই ১৫নি হায়রি। লৈখিদ্রবশিং অদুদি ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৬, ইম্ফাল ইষ্ট ১, থৌবাল ১, বিষ্ণুপুর ২, ককচীং ১, জিরিবাম ১ অমসুং চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ৩নি হায়রি।

ঙসি লৈখিদবা মীওই ১৫ অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈখিদবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ১৩৬৫ শুখ্রে হায়রি। ঙসিগী ওইনা দিসচার্জ তৌখিবশিংনা মীওই ৭৪২নি। মসিগী মনুংদা হোম আইসোলেসন্দগী ৩০২, রিমস ১৮, জেনিমস ১৩, সী সী সীশিংদগী ১২৩ অমসুং সী ঐচ আই সীশিংদগী ২৮৬নি হায়রি।

ঙসি থেংনখিবা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইরবা অনৌবা পোজিটিভ কেস ১১৭১ অসি হাপচিল্লবা মতুংদা হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিদা থেংনবা পোজিটিভ কেস মশীং পূম্না ৮৩,৮৫৯ শুরে। অদুগা লায়না অসিদগী ফগৎলকখ্রবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীংনা ৭৩,০৪৭ শুরে। অদুগা ঙরাং ফাওবদা লৈখিবা এক্টিভ কেসশিংগী মশীং ৯,০৩৩ অদুদগী হেনগৎলক্তুনা ঙসিনা ১০,৮১২ লৈরে হায়রি।

# কারন তৌবা ফেসবুককী এদমিন আইদেন্টিফাই তৌনবা পুলিসনা ফেসবুক হেদ ক্বার্টর, কানাদাদা হায়জখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ (ঐচএনএস): ফজবা ৱাহৈনা অহানবদা 'কংলৈ ইমাগী' হায়দুনা হৌরগা নাতে চাদবা ৱাহৈশিংনা মরক্তা হাপ্লগা 'নুপীশিং' হায়দুনা শমথবা ফেসবুক পেজ অমদা 'চিনখ্রবা ফুরিৎ অমা লিৎলগা না... তিং-তিং লাও... পিকচর অপলোদ তৌরিদো ইকাইদ্রো, নশাদা ইন্নবা ফিসু য়াওদনা পিকচর থাগৎলিদো নশানা ও কে... হায়না তাকপীরে, মদুগা কা... হায়বদা করি প্রোব্লেমনো' হায়বা (ফজদবা, অকাম্বা ৱাহৈশিং লৌথোকচরে) ৱাহৈশিং ইদুনা মে ২২, ২০২১দা সোসল মীদিয়াগী মরু ওইবা প্লেটফোর্ম অমা ওইরিবা ফেসবুক্তা নুপী অমগী ফোটো

### 'কংলৈ ইমাগী' হায়না হৌরগা নাতে চাদবা ৱাহৈশিংনা শমথবা সোসল মীদিয়াগী ফেসবুকতা কারন তৌরুবা ২গী বেল প্রেয়র কোর্টনা রিজেক্ট তৌখ্রে




শীজিন্নদুনা অপলোদ তৌরুবগী মায়োক্তা সাইবর ক্রাইম য়ুনিট ইম্ফাল ৱেষ্টকী সব ইন্সপেক্টর কে অভিজিৎনা মে ২৫, ২০২১দা তৌরকপা রিপোর্টকী মতুংইন্না হায়রিবা ফেসবুক পেজ অসিগী এদমিন ওইরিবা য়ূম্নাম পিবা কৌবা মীওই অমবু ফানবগীদমক আইদেন্টিফাই তৌবীরক্নবা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী মায়কৈদগী কানাদাগী টোরান্টোদা হেদ ক্বার্টর ওইরিবা ফেসবুকতা অহৈবা চেরোল অমা থাদুনা হায়জখ্রে হায়রি।

ৱাফম অসি সাইবর ক্রাইম য়ুনিটকী এস আই অসিনা তৌরকখিবা রিপোর্টকী মতুংইন্না ইম্ফাল পি এসনা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেস এফ আই আর নম্বর ৯০ (৬) ২০২১গা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# ন্যুজ রিপোর্ট ৩গী মতাংদা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনননা শুও মোতু কেস ১ লৌখৎখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ (ঐচএনএস): চৎলিবা থা অসিগী ১২ অমসুং ১৩দা ইম্ফালদা নুংতিগী অয়ূক্তা ফোঙবা ইংলিস পাউচে অহুমনা ফোঙখিবা তোঙান-তোঙানবা ন্যুজ রিপোর্ট অহুমগা মরী লৈননা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এচ ঐচ আর সী) গী দেপ্যুটি সেক্রেটরিনা ঙরাং ফাইল তৌরকখিবা রিপোর্ট অমদা য়ূম্ফম ওইরগা এম ঐচ আর সীনা শুও মোতু কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখ্রে অদুগা কেস অসিগী রেসপোন্দেন্টশিং ওইরিবা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মকোক থোংবা ওফিসল মরিদা নোটিশ ইস্যু তৌখ্রে।

এম ঐচ আর সীনা শুও মোতু



কেস ওইনা লৌখৎখিবা কেস অসিগী নম্বর ৫ ওফ ২০২১নি। কেস অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংনা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী চীফ সেক্রেটরি, কম্মিস্নর (রেভিন্যু), কম্মিস্নর (ট্রাইবেল ৱেলফ্যের) অমসুং স্পেসল সেক্রেটরি (হোম) নি।

কম্মিসনগী দেপ্যুটি সেক্রেটরিনা ঙরাং ফাইল তৌরকখিবা রিপোর্ট অদুনা থা অসিগী ১২ অমসুং ১৩দা ইংলিস পাউচেশিং অদুনা 'য়ু এন সী স্যেরস থোটস টু সী এম, সী এমস ষ্টেটমেন্ট সোজ ওরৱেল্লিয়ন নেচর ওফ হিজ রুল, সেজ কে এস ও' অমসুং 'নো এনক্রোচরস এট মাউন্ট কৌব্রু : থাদৌ ইনপি, সদর হিলস' হায়বা হেদ লাইনশিং অসিগী মখাদা তোঙান-তোঙানবা রিপোর্টশিং ফোঙখিবনি হায়রি।

কম্মিসনননা মসিগী দেপ্যুটি সেক্রেটরিনা ফাইল তৌরকখিবা রিপোর্ট ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

### অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩২.৬৬ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৭.৫৯ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৬.৩৩
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৪.৩৬
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৫

### HL Poll

Q: Covid-19 positive oibagi mashing angakpa fangna hengatlaklibasi hanna test touramdabasing tourakpadagi oigadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Covid-19 hanna thengnaraga meekhalgi thabakna konna paikhatpana achumba khongthang oipham thoktabra?

Yes 80% No 20%

### অস! লোইরেহে!

- নোং তাদ্রে, সর উনজগে।



- সরনা নোং তাহনদৌরিব্রা, খুরাখোয়?